# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-12-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১০-১২-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা-খেৎনবা হন্থহনবা অমসুং মীওইবগী হকপু হেন্না খুমাং চাউশিনহনবা হায়বা হীরমদা মালেমগী মীওইবগী হক কনবা নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

২) মণিপুরগী পুলিস ষ্টেসন ৬ তা অফস্পা থমজিল্লকপা য়ানিংদে, অথুবদা শান্তি হঞ্জিলহল্লু হায়বা দাবীদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন ৫ না ঙসি মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎকনি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নুপীশিংদা শক্তী পীগে হায়রবদি মখোয়দা মতিক চাবা খুদোংচাবা পীদুনা চাউখৎহনবা অমসুং অয়েৎপশিং লৌথোকপা তঙাইফদে।

**ডে(এল)ঃ** মালেমগী মীওইবগী হক কনবা নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। কুমসি চহীগী হীরমনা মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা-খেৎনবা হন্থহনবা অমসুং মীওইবগী হকপু হেন্না খুমাং চাউশিনহনবা হায়বসিনি।

মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা শিন্দুনা নুমিৎ পালন থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। সিভিল সোসাইতিজ কোলিসন ওন হ্যূমেন রাইটস ইন মনিপুর এন

দ য়ুনাইতেদ নেসন মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোতেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কনি। সেন্তর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুতিজ ইদ্যুকেসন, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ লো না শিন্দুনা ঐখোয়গী হক, ঐখোয়গী তুংগী লন্বী হৌজিকমক হায়বসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সেন্তর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুতিজ ইদ্যুকেসনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কনি।

**রেল্লি(এল)ঃ** মণিপুরগী পুলিস ষ্টেসন ৬ তা অমুক হন্না অফস্পা থমজিল্লকপা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা অমসুং মণিপুরদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিলহল্লু হায়বা দাবীদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন ৫ না ঙসি মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎকনি। ওল মনিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), পোইরৈ লৈমরোল অপুনবা মৈরা পায়বী, ওল মণিপুর ৱিমেন ভোলূনটরি এসোসিএসন, কম্মিতি ওন হ্যুমেন রাইটস অমসুং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা রেল্লি অসি ইম্ফালগী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও গ্রাউন্দদগী নাগামপাল চৎলগা খ্বাইরম্বন কৈথেল ফাওরগা কংলাপাৎকী অৱাং থংবা শরুক লোমদা চৎলবা মতং খুমন লম্পাক স্পোর্ট কমপ্লেক্সতা লোয়শিনগনি।

মীয়ামা ঙসি শিন্থা লেপ্তুনা রেল্লি অসিদা শরুক য়াবীনবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা আপিল তৌখ্রবা মতুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা কৈথেল ফমদ্রে, গারি চৎপগী চাং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরে। ইম্ফালদগী খ্বাইরম্বনা কৈথেল মহৌশাগুম কাদ্রে, জিলা অমগা জিলা অমগা ফাওনবা গারিশিং চেনদ্রে, বিষ্ণুপুর জিলাদসু কৈথেলশিং ফমদ্রে, লন্বীদা গারি চৎপগী চাং য়ামা হন্থরে।

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙরাং চীফ মিনিষ্টরস ওনত্রপ্রন্যুরশিপ সপোর্ট স্কিম (সি.এম.ঈ.এস.এস)কী বিনিফিসরিশিংগা উনদুনা ৱারি শান্নখ্রে। মণিপুর স্তার্ট অপ স্কিম ২.০গী মখাদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা থবক পীনবা পান্দমদা স্তার্ট অপ হৌদোকবা অখন্নবা পেকেজশিং পীবনি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইন টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংদা ত্রেন্নিং, শেন্থং পীথবা অমসুং পোৎ শানবা মচাক পীথদুনা মখোয়গী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনরি। অসিগুম্বা থৌরাং অসিনা মখোয়গী পুন্সিদা চাউনা অওনবা পুরকপা অসিদা চাওথোকচবা পোকই হায়রি।

**চান্দেল(এল)ঃ** আই.সি.এ.আর ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র চান্দেলনা শিন্দুনা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা ক্রিসি শ্বরনা সমরিধি চয়োল পালন অমসুং টেকোলোজি ৱিক কম কিসান মেলা কে.ভি.কে চান্দেলদা ঙরাংদগী হৌখ্রে। মীওই ১০০ হেন্না শরুক য়াবা থৌরম অসিদা ত্রেন্নিং, ৱার্কশোপ, এনিমেল হেল্‌থ কেম্পনচিংবা পাঙথোক্লি। হৌদোকপগী থৌরমগা মরি লৈননা ভর্মিকম্পোস্তিং শিজিন্নদুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক লন্থী করমা হেনগৎহনগদগে হায়বসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**পুলিস (এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা লোয়ননা উখ্রুল জিলাগী সিহায় খুলেন খুলগী চিংশাংদা শারম্বা পোপী পান্থীশিং মাং তাকহনখ্রে। লম একর ৫৫ রোমদা থারম্বা পোপী পান্থীশিং অদুগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈরম্বা খাংপোকশং মঙাশু মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখি। থৌদোক অদুগা মরি লৈননা এফ.আই.আর অমা লৌখৎলে।

মরক অসিদা, অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে-৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে-২দা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা

গারি ২৬৪ অমসুং ২৬৩ পুশিল্লকখ্রে।

**এআর (এল)**ঃ  অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনেদা লৈবা মসিগী বট্টালিয়নদা থৌনা ফরবা লান্মী মনবহাদুরগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎখ্রে। রাইফলমেন মনবহাদুর ইং ১৯৬৭দা মিজোরামদা লালহৌবশিং মায়োকবদা লৈখিদবনি।

**পিএম** ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি নুপীশিংদা শক্তী পীগে হায়রবদি মখোয়দা মতিক চাবা খুদোংচাবা পীদুনা চাউখৎহনবা অমসুং মখোয়গী লন্থীদা লৈরিবা অয়েৎপশিং লৌথোকপা তঙাইফদে। মহাকা হায়-নুপীশিংবু মাংলোমদা চংশিন্নবা খুদোংচাবা পীবা মতমদা লৈবাক অসিগী ওইনা অনৌবা খুদোংচাবগী থোং কয়ামরুম হাংদোরকই।

হরিয়ানাগী পানিপটতা বিমা শক্তী য়োজনা হৌদোক্লবা তুংদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-য়োজনা অসিগী খুথাংদা লৈবাক অসিগী নুপীশিং শক্তী পীনবা অতোপ্পা খোঙথাং অমা থাংজিনবা হৌরে। মহাকা হায়-লাইরবা মুথৎনবা অমসুং মীপুম খুদিংমক্তা সোসিএল সেক্যুরিতি লৈহন্নবা হোৎনবদা ইন্স্যুরেন্স হায়বসি য়ামা মরু ওই। শ্রী মোদিনা হায়-খুঙ্গংগী লমশিংদা বেঙ্ককী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনবদা নুপীশিংগী চাউরবা দাইত্যা লৈ। মহাকা হায়-বেঙ্ক শখিশিংনা খুঙ্গাশিংগা বেঙ্কশিংগা শমহল্লি। হৌখিবা চহী ১০ অসিদা নুপীশিংবু শক্তী পীনবা মহাক্কী সরকারনা খোঙথাং কয়া মরুম লৌখৎলি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা হায়। নিংতম পালন নুমিত্ত ঐতিহাশিক ওইরবা লালকিলাদগী লাকপতি দিদি কোতি ৩ শেমগৎকনি হায়না ৱাশকখিবা অদু হৌজিক লৈবাক শিনবা থুংবদা ইচে ইচন কোতি ১ লাখ ১৫ হেন্না লাকপতি দিদি ওইখ্রে। মহাকা হায়-হায়রিবা নুপীশিং অসি চহী অমদা লুপা লাখ অমা হেন্না তাল্লি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সরকারগী থৌরাং নমো দ্রোন দিদি স্কিমনা লাকপতি দিদি কেম্পেইন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লে। থৌরম অদুগা মরি লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা বিমা শখিশিংদা এপোইন

টমেন্ট সর্তিফিকেট খুৎশিন্নখি।

**হোর্ণবিল**ঃ ২৫ শুবা নাগালেন্দ হোর্ণবিল ফেষ্টিভেল ঙসি লোয়শিল্লগনি। ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ১ দগী কিসামাদা চৎথরকখিবনি। লোয়শিনবগী থৌরম ঙসি নুংথিল পুং ৫ দা কিসামাদা লৈবা নাগা হেরিতেজ ভিলেজকী মেন এরেনাদা পাঙথোক্কনি। লোয়শিনবগী থৌরমদা রুরেল দেভলপমেন্ট মন্ত্রি শ্রী মেটসুবো জামির অমসুং বোলিৱুদ এক্তর জায়েদ সঞ্জয় খান শরুক য়াগনি। অয়ুক্কী থৌরমদনা পি.ঐচ.ঈ.দি অমসুং কো-ওপরেসন মন্ত্রি জেকোপ জিমোনি শরুক য়াগনি।

ঙরাং হেরিতেজ ভিলেজ কিসামাদা তোঙান তোঙানবা কালা সংস্কৃতিগী ওইবা থৌরম পাঙথোকখি। রাজ্য অদুগী ইনাক খুল্লবা জগোয় ঈশৈ, ফোল্ক শোং অমদি মহৌশাদগী চৎনরক্লবা লৌউ শিংউগী পথাপ, মৈ পুথোকপা, অমদি মহৌশাগী ওইবা শান্ন-খোৎনবা অমদি লাইশোন-তিনশোনগী থৌরম পাঙথোকখি। নাগা চেফ সেসন ১১ ঙরাং কিসামাদা লোয়শিনখ্রে। শ্রী লেন্তুর এম না অতোপ্পা ফাইনেলিষ্ট অহুমবু মাইথিবা পীদুনা লূপা লাখ অহুমগী মনা লৌখি।

**রাষ্ট্রপতিঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং নিউ দেল্লিগী বিগ্যান ভবনদা থৌরম অমদা নেসনেল পঞ্চায়ট এৱার্দ ২০২৪ খূৎশিন্নগনি। কুমসি চহীগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদগী খনগৎলবা মীওই ৪৫দা এৱার্দ অসি খূৎশিন্নগনি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা পঞ্চায়টি রাজ মন্ত্রিনা বুকলেট অমা পুথোক্কনি। বেষ্ট প্রেক্তিসেস ওন ৱার্কস ওফ এৱার্দি পঞ্চায়টস হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মমাঙদা মনা ফংখ্রবশিংগী পায়খৎখিবা থবকশিংদা য়ুমফম ওইরগা পুথোকপনি। মন্ত্রালয়না হায়-নেসনেল পঞ্চায়টি এৱার্দ পীবা অসিনা পঞ্চায়টকী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু হেন্না পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী

লম মপুং ফানা চাউখৎহন্নবনি।

## --পাউ লোইজরে--

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনালৈবাক্তা-অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা দিল্লিদা ইন্দিয়া ব্লোকনা মণিপুরগী মতাংদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে, অমিত সাহ ফম থাদোক্কদবনি, বিরেন শিংে দাক্কদবনি, মোদিনা তেকচাক পুগদবনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। আই.এল.পি চৎনখিবগী ৫ শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা পুকচেল শেংদ্রবদি এক্ট কয়া শেল্লবসু লৈবাক কনবা ঙম্লোই হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। আই.এল.পি চৎনখিবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেসতসু ইংলিসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-মণিপুর লেজিসলেতিভ এশেমব্লিগী স্পিকরনা হোম মিনিষ্টরগা উন্নদুনা মণিপুরগী মতাংদা পাউদমখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। আর্মি কেম্প মনুংদা চংখিবদগী থিবা খংদনা লৈরিবা কমলবাবুগী লোয়নবী অমসুং জে.এ.সিগী মীহুৎশিং ফাজিনখ্রে হায়বা পাউ অমশু অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

মোর্নিং বেলদা-মণিপুরদা আই.এল.পি পীরকপা অসিমক সেন্তরগী অচৌবা খুদোলনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইংে দা ম্যান্মার ঙমখৈ পরিং শন্বল খাবগী থবক খুমাং চাউশিন্না পায়খৎলি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা-নেসনেল হায়ৱে-৩৭দা নোনে দিষ্ট্রিক্ট রেশনিং এজেন্টস জোইন্ট এক্সন কম্মিতিনা মতম কত্তুবা ব্লোকেদকী খোঙজং চংশিনখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। প্রাইম মিনিষ্টর মণিপুরদা লাক্কদবনি, হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি হায়বা ইন্দিয়া ব্লোক মণিপুরগী ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নুমিৎ ২৩ নিগী মতুংদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৭ তা ইন্টরনেটকী অথিংবা থল্লন্বা অদু লৌথোকখ্রে হায়বা পাউনা তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি। মণিপুরদা আই.এল.পি চৎনরকপা চহী ৫ মপুং ফারকপগী থৌরম হস্ফালদা পাঙথোকখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। থৌরম অসিগা মরি লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা আই.এল.পি অসি য়েলহৌ ফুরুপশিংবু কন্নবা তঙাইফদবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম-হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।